# খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স শেমগৎনবা লুপা কোটি ১০০ সেঙ্কসন তৌরে

-চিফ মিনিষ্টর

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জুলাই ২৮:*** ১৩ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মখাদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি অপগ্রেদেসন তৌনবগীদমক লুপা কোটি ১০০ সেঙ্কসন তৌরে হায়না মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবি সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি অপগ্রেদেসন তৌনবগী হিরমগা মরি লৈননা কমপ্লেক্স অসিগী ফিভম ঙসি চিফ মিনিষ্টরনা ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা কোয়না চত্তুনা য়েংশিনখি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা চিফ মিনিষ্টরনা ইন্দোর ষ্টেডিয়ম, শুটিং রেঞ্জ, বোক্সিং এরেনা, নেসনেল স্পোর্টস একাদমী, ফুটবোল গ্রাউন্দ, হোকি ষ্টেডিয়ম, আর্চরি পেভিলিয়ন, ইন্দোর ৱেটলিফটিং হোল, ফেন্সিং, ৱুসু, সেপাক তাক্রৌ, ক্রিকেট গ্রাউন্দ, মেইন ষ্টেডিয়ম, রোইং কেনেল, স্বীমিং পুলনচিংবশিং য়াওনাতোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী লৈরিবা ফেসিলিতিশিং হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখি।

লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী অৱাৎ অপা কয়া উবদা চিফ মিনিষ্টরনা ৱাখলদা নুংঙাইতবা উৎখি। লোয়ননা ফিভম অদুগী মতাংদা শান্নরোইশিংগা উন্নদুনা হকথেংননা পাউদমসু লৌখি।

স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ফিভম কুপ্না য়েংশিনলুরবা মতুংদা মণিপুর ওলিম্পীক এসোসিয়েসন ভবনগী কনফরেন্স হোলদা চিফ মিনিষ্টরনা কোচশিং অমদি মরি লৈনবা ওফিসিয়েলশিংগা পুন্না ফমিন্নদুনা খন্ন নৈনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা চিফ মিনিষ্টরনা হায়খি, খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি অপগ্রেদ তৌনবগীদমক ১৩ শুবা ফাইনান্স কম্মিসন এৱার্ড, ২০১০-২০১৫ গী মখাদা লুপা কোটি ১০০ সেঙ্কসন তৌদুনা লৈরে। মসিগী প্রোজেক্ট অসি হেন্না খুমাং চাওশিন্না চংশিনবা ঙম্নবা সব কম্মিতি অমা অথুবা মতমদা শেল্লগনি অমসুং মসিগী অপগ্রেদেসন তৌবগী থবক অসি মরুওইবদু য়েংলগা মথং মথং অথুবা মতমদা পায়খৎনবা হোৎনরগনি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা এম ও এগী প্রসিডেন্ট বিজয় কোয়জম, এম এল এ এম পৃথিবিরাজ, ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিস্নার সি ঐচ বিরেন্দ্র সিংহ, কম্মিস্নার আর্ট এন্দ কলচর আর কে নিমাই, ডাইরেক্তর য়ুঠ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টস ঐচ দিলিপ অমদি মরি লৈনবা ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াখি।